CAREERINDIA

**Language Code : 10**

इस पुस्तिका में **20** मुद्रित पृष्ठ हैं।
This booklet contains **20** Printed pages.

# SED-24-II

**प्रश्न-पत्र-II / PAPER-II**
**मणिपुरी भाषा परिशिष्ट**
**Manipuri Language Supplement**
**भाग-IV & V / PART-IV & V**

**मुख्य परीक्षा पुस्तिका संख्या / Main Test Booklet No.**

**मुख्य परीक्षा पुस्तिका कोड / Main Test Booklet Code**

**D**

**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए।**
**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**
**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**

**मणिपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें। / FOR INSTRUCTIONS IN MANIPURI SEE PAGE 2 OF THIS BOOKLET.**

## परीक्षार्थियों के लिए निर्देश

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो **या** तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मणिपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं**।
2. परीक्षार्थी भाग I एवं भाग II **या** III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं। भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं OMR उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल काले/नीले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत** है **D**। यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, OMR उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है। अगर यह भिन्न हो, तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, जो प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग-IV : भाषा-I (मणिपुरी) (प्र. 91 से प्र. 120)
   भाग-V : भाषा-II (मणिपुरी) (प्र. 121 से प्र. 150)
7. भाग-IV में भाषा-I के लिए 30 प्रश्न और भाग-V में भाषा-II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं। इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मणिपुरी भाषा से संबंधित प्रश्न दिए गए हैं। **यदि भाषा-I और/या भाषा-II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मणिपुरी के अलावा है तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए। जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए।**
8. **परीक्षार्थी भाग-V (भाषा-II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा-I (भाग-IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें। अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें। उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है।

## INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Part I and Part II **OR** III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Black/Blue Ball Point Pen only** for writing particulars on this page/marking responses in the OMR Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **D**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the OMR Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Test Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V, consisting of **60** Objective Type Questions, each carrying 1 mark :
   Part-IV : Language-I (Manipuri) (Q. 91 to Q. 120)
   Part-V : Language-II (Manipuri) (Q. 121 to Q. 150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language/s you have opted for as Language-I and/or Language-II is a Language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The language being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part-V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) : ____________________
Name of the Candidate (in Capitals) :

अनुक्रमांक : (अंकों में) / Roll Number : in figures ____________________
: शब्दों में / in words ____________________

परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में) : ____________________
Centre of Examination (in Capitals) :

परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : ____________________
Candidate's Signature :

निरीक्षक के हस्ताक्षर : ____________________
Invigilator's Signature :

Facsimile Signature Stamp of Centre Superintendent : ____________________

www.careerindia.com

CAREERINDIA

Language Code : **10**

# SED-24-II

**পেপর-II**

**মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট**

**ভাগ-IV & V**

টেস্ট বুক্লেট্ কোড

**D**

বুক্লেট্সি লমায় 20 য়াওই।

**হায়রক্তিফাওবা টেস্ট বুক্লেট অসি হাংদোক্কনু।**

**বুক্লেট্সিগী নীতি-নীয়মশিং (instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ।**

*কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনসিং ঃ*

1. বুক্লেট্সি মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) নত্রগা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দদেটসিংগীদমক ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি। অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুক্লেটতগী পার্ট I, II অমসুং III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তা পীরে। লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিং গীদমক তোঙান্না হংবা য়াই।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং ইননবা **ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্লেট্সিগী কোডতি **D** নি। **OMR আনসর শীতকী সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্কীসিগা চপ মান্নব্রা হায়না য়েংউ। মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি।
6. বুক্লেট্ অসিগী পার্ট **অনিনি IV** অমসুং **V**। মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং **60** য়াওই **:**
   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ I (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)
   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ II (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই। বুক্লেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই। **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেস্ট বুক্লেট্ অমা পীনবা হায়বীয়ু। পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার** লৈ।
9. টেস্ট বুক্লেটতা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি।
10. পউখুমসিংদু **OMR** পাউখুম চেদা ইগদবনি। নঙগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ। পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ______________________

: ৱাহৈদা : ______________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ______________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ______________

Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ______________________



www.careerindia.com

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

Candidates should attempt the questions from **Part-IV (Q.No. 91-120)**, if they have opted **MANIPURI** as **Language-I** only.

www.careerindia.com

# PART–IV

## LANGUAGE–I

## MANIPURI

| |
|---|
| কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি। |

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। (ৱাহং 91 - 99)**

পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজম হায়বা ভাবশিং অসিগী অর্থ লৌবদা য়াম্না চেকশিনগদৌবনি। অহিংসা বৃত্তি চৎলবা মীদুদি ৱাহৈশিং অসিগী অর্থ অরানবা লৈত্রে। মরমদি মহাক্তি মীগী কায়দনবা চৎলগদবনি মাগী পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজমদি মীঙোন্দা করিসু অমাঙবা অকায়বা থোক্ত্রে। অদু নত্তবা মীদদি বাহৈশিংসিগী অপীকপা অর্থদা তাদুনা মীগী য়াম্না মাঙনবা মূৎনবা ওই। ঐগী ইমা নুংশিদনা মীগী মমা নুংশিরুবা ঙম্বা হৌনদে। অদুগুম্মদুনা ঐগী জাতি নুংশিদনা মীগী জাতি অমসুং মীওইববু নুংশিরুবা ঙম্বা হৌনদে। নুংশিবগী অহানবা হৌফমদি য়ূমদগী হৌগদবনি। মসিদি চুম্লে। তৌইগুম্বসুং ঐগী ইমাদা নুংশিখিদুনা মীগী মমাবুদি মীওইনা খল্লক্ত্রবা মতমদুদদি পূকচেল পীকপা অৱাবা অদুম হৌরে। জাতি অমগী মরমদসু অদুমঙায়। ঐগী ইরৈবাক ইজাতিবু নুংশিবগুম মীসু মরৈবাক মজাতিবু নুংশিরিবনি হায়বসি খন্নবা ঙম্লবদি পৃথিবীসিদা লাল হায়বসি খরা তাঙগদবনি। মসি মপূক্নীংদা পাল্লবা জাতি অদুনা কৈদৌঙৈদসু জাতি অমদা হৌদুনা লাল শোক্নবা ঙম্লোই। ৱারী লাইরিক্তা কনাগুম্বা মরৈবাক নুংশিরম্বা মী অমগী মপুন্সি উরগা থাগৎলি, মদু ঈরাংদদা থাগৎপা ওইনা তৌই ;মুন্না খন্থদুনা মাগী মাগী মরৈবাক মজাতি খো-খোৎপা নুংশিনরিবনিনা হেঞ্জিন্নরুবসিদি য়াম্না কায়বা অরানবনিকো হায়বসি পূক্নীংদা য়ৌনা পান্দে। ঐগী ইরৈবাক মাঙহন্নিংদবগুম মীগীসু মাঙহন্নিংদে; ঐগী ইরৈবাক মাঙহনগে তৌররিবা তৌরিবা মীদুবু ঐগী খ্বাইদগী ফৎত্রবা য়েক্নবা ওইনা য়েংবগুম ঐনা মীগী মরৈবাক মাঙহনগে তৌরুরবদি ঐনা খ্বাইদগী তমথীরবা নুংশি হৈতবা অরানবা চৎপা মীনি হায়না লৌগনি হায়বা ইরাই লাইবা অচুম্বসিমতবু মুন্না খঙনরবদি লাল হায়বসি ৱাহৈমখে লৈরল্লবসু মশক ওইনদি থিবা ফংলম্লোইদবনি। অদুবু পঙনা পানবা তাইবং মীওইবনা মসিদবু খন্থদে। হৌজিক তাইবংপানবদা চৎনরিবদি, খোৎ-খোৎপনিদি হায়বা য়াদে, ঐগী ইরৈবাক ইজাতি নুংশিবনা মীগী মরৈবাক মজাতিবু নুংশিহন্দে;ঐগী ইরৈবাক ইজাতিগীদমক মী অতৈগী মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা পূন্নমক থাদোকহন্নিংঙি। মদুদি য়াবা হৌনদবনিনা, মরৈবাক মজাতি নুংশিবা হায়বসি মী পূন্নমক্কী মপোকঙৈদগী য়াওরকপা ওইবনা লাল হায়বসি থোকইবসিনি। অদুনা পেট্রিওটিজম হায়বসি মশানদি ফত্তবা নৎত্রবসু তারু তারুরিবা পূকচেল অদুগী মতুংইন্না অফ-ফত্তবা ওই। জাতি খূদিংমক্না লাল অসি তোকহনগে হায়রবদি ভাব অনীসিবু পূকচেল পাক্না মীগী য়েংনা লৌরগদতা খরমখে য়াগনি। মীওইবগী মশানা থাদোকপা য়াদনা য়াওজরবা মরৈবাক মজাতি নুংশিবা অসিবু, মসিনসু মীওইবা পূন্নমকপু নুংশিবগী হৌফম ওইরিবা অসিবু অপাকপা মীগী য়েংবা লমদা পুশিল্লবদদা ময়াম পূন্নমক্কী অফবা ওইগনি, লাল তোকহন্নবগী মরু ওইবা উপায় অমসু মশানা অদুম ওইজরগনি।

**91.** লাল থোক্লিবগী মরম করিননো?

(1) মীওইবদা অপাম্বা মীহৌবা লম করাম্বগী ৱাখল্লোন লৈবদগীনি।

(2) মীরৈবাকপু হেন্না লৌশিনবা পাম্লুবদগীনি।

(3) মীরৈবাকপু ইরৈবাকনি খনবা ঙমদবদগীনি।

(4) মরৈবাক মজাতি নুংশিবা হায়বসি মী পূন্নমক্কী পোকপদগী য়াওরকপননি।

**92.** অহাংবা মেনশিল্লু —

নুংশিবগী অহানবা হৌফমদি __________ হৌগদবনি।

(1) মরুপ-মপাংদগী (2) স্কুলদগী (3) লৈকায়দগী (4) য়ুমদগী



www.careerindia.com

CAREERINDIA

93. অহিংসা চৎলবা মীদা পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজমগী ভাব অসিগী অরানবা অমত্তা লৈত্রে হায়রিবগী মরম করিগীনো?

(1) মহাক্তি অপাম নুংশি কল্লক মিহৌবা থাদোক্লে।

(2) মহাক্তি ঐগী মীগী নাইবা ৱাখল্লোন লৈত্রে।

(3) মহাক্তি মীগী কায়দনবা মতম পুম্বদা চৎপগীনি।

(4) মহাক্তি মতম পুম্বদা মীঙোন্দা খৎনবা হৌদুনতা লৈ।

94. পীরিবা ৱারেং অসিগী মতুং ইন্না লাল তোকহন্নবগী মরু ওইবা উপায় করিনা ওইবা য়াই হায়না পীবগে?

(1) মীওইবদা নুংশিবা হায়বসি চপ মান্ননা পীবা ঙমদবদগী।

(2) ইরৈবাক ইজাতি নুংশিবগী ৱাখল অসি মীওইবা পুম্নমক্তা নুংশিনা য়েংবা ঙল্লবা মতমদা।

(3) ইরৈবাক মীরৈবাককী খেন্নবা থমদনা খনবা ঙল্লবা মতমদা।

(4) ইরৈবাক ইজাতিগীদমক্তা খনবা মীরৈবাক্কী দমক্তদি খল্লুবা ঙমদবা মতমদা।

95. পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজম হায়বা ভাবশিং অসিগী অর্থ লৌবদা চেকশিনগদৌরিবগী মরম করিনো?

(1) অপাকপা অর্থদা তাখ্রবদি লৈবাক চাউখৎনবা ওই।

(2) অপীকপা অর্থদা তাখ্রবদি মীগী য়াম্না মাঙনবা ওই।

(3) মসিনা জাতি অমগা জাতি অমগা নুংশিনহন্দে।

(4) মসিনা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা লাল শোক্নহল্লি।

96. জাতি খুদিংমক্না লাল অসি তোকহনগে হায়রবদি পুকচেল চাউনা পাক্না করি য়েংবা তই?

(1) ইশা ইথন্তাগী খনবা থাদোকপা তাই।

(2) পেট্রিওটিজমগী ভাবতা।

(3) নেসনেলিজমগী ভাবতা।

(4) পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজমগী ভাব।

97. ইরৈবাক মাঙহনগে খল্লিবা মীদু করি ওইনা লৌনবগে?

(1) খ্বাইদগী নুংশি চাওবা।
(2) খ্বাইদগী ফত্ত্রবা য়েকনবা।
(3) খ্বাইদগী করাম চাওবা।
(4) খ্বাইদগী লম পান্বা।

98. ইরৈবাক অমদি মীরৈবাক অনিগী মরক্তা তোয়না লাল থোক্লিবসিগী মরম করিনো?

(1) মীওইবনা জাতি অমগা জাতি অমগা নুংশিনবা ৱাৎলকপদগীনি।

(2) মরৈবাক মজাতি নুংশিবা হায়বসি মী পুম্নমক্কী পোকপদগী য়াওরকপা ওইবননি।

(3) ইরৈবাক মীরৈবাক অমত্তনি খনবা ঙমবদগীনি।

(4) ঐগী ইরৈবাক নুংশিবগুম মীগীসু মরৈবাক নুংশি খনবা ঙমদবদগীনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**99.** ঐগী ইরৈবাক ইজাতিবু নুংশিবগুম মীসু মরৈবাক মজাতিবু নুংশিরিবনি হায়বসি খন্নবা ঙমলবা জাতি অমনা-অতোপ্পা জাতি অমদা হৌদুনা লাল শোক্লবা ঙমগদ্রা?

(1) লাল হায়বসি অদুম তৌদুনা লৈরগদবনি।

(2) লাল শোক্লবা ঙমগনি।

(3) লালদি মীওইবগা লোয়নদুনতা লাক্লবনি।

(4) লাল শোক্লবা ঙম্লোই।

**মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। (ৱাহং 100 - 105)**

মখোঙ পান্দুনা চৎলম্মী লোলনা
চৈশু য়াওদনা মীপাল তাংদনা
মরোমদোম মনীং তন্না।
লোল লৈজবগী নুংঙাইজবশিংদুনা
লোল ঙাংবগী হরাওজরিবশিংদুনা
নুংঙাইজৈ
লোলনা মনীংতন্না চৎপদু উবদা,
য়াঙলবা ত্রেন থৌজিন্দুনা
তকখায়গে খন্দে শিংকুপ শানা
মশাগী লোল অদুবু।

**100.** মশাগী লোল লৈজবা জাতিশিংনা মশাগী লোলবু করম্না খনবগে?

(1) মশাগী লোল ঙাংবা ইকায়বদগী মাংহনগে খল্লি।

(2) মশাগী লোলগীদমক হোৎনগে খল্লি।

(3) মশাগী লোলবু মাংহনগে খন্দে।

(4) তকখায়গে খল্লি শিংকুপ শানা।

**101.** লোলনা করম্না চৎলম্বগে?

(1) চৎপা ঙম্বা নত্তে।
(2) নুংঙায়না হরাওনা।
(3) অয়াঙবা ত্রেনগুম।
(4) মখোঙ পান্দুনা।

**102.** 'নুংঙাইজৈ' ৱাহৈ অসিদা সিলেবল কয়া য়াওবগে?

(1) মরী (2) অমা (3) অনি (4) অহুম



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**103.** পীরল্লিবা শৈরেং অসিদা কবিনা ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাফম অসি করিনো?

(1) মশাগী লোলবু মাঙহনগে খনবদুনি।

(2) মশাগী লোল লৈজবশিংনা মনীং তম্না হরাও নুংঙাইজবদুনি।

(3) মশাগী লোলগীদমক চাওথোকচবা ফংবদুনি।

(4) মশাগী লোলবু চাওখৎহনগে খনবদুনি।

**104.** লোলনা মনীং তম্না মীপাল তাংদনা চৎপা উরগা কনানা নুংঙাইখিবগে?

(1) কনামত্তনা নুংঙায়বা ফাওখিদে। (2) মীওইবশিংনা।

(3) মশাগী লোল লৈজবশিংনা। (4) মশাগী লোল লৈজদবশিংনা।

**105.** পীরল্লিবা শৈরেং অদুদা 'না' না লোম্বা পরেং কয়া য়াওবগে?

(1) তরেৎ। (2) মরী। (3) মঙা। (4) তরুক।

**106.** মচাক্কী অশেংবা হায়বসি —

(1) অঙাংশিংনা য়ুমদগী পুরকপা মচাকশিংনি।

(2) ওজানা মহাক্কী ক্লাসকী অইবশিংনি।

(3) অইবগী মপু ওইবা মীওইশিংনা ইবা মচাকশিংনি।

(4) অশেংবগী পুন্সিদা য়ুমফম ওইবদা ইবা মচাকশিংনি।

**107.** ক্লাস V কী মহৈরোই অপরনা স্পিচ নত্রগা ওদিও তাবদা য়াওরিবসি সাউন্দ খুদিংমক, ৱাহৈশিং অদুদগী ৱাহৈ পরেংশিং খুদিংমক ৱাহন্থোক ফংনবগীনি খল্লি। তাবা তম্নবগী মহাক্না করি এপ্রোচ/স্ট্রাতেজিদা থাজবগে?

(1) তোপ-দাউনসু নত্তে বতম-অপসু নত্তে

(2) তোপ-দাউন এপ্রোচ

(3) বতম-অপ এপ্রোচ

(4) তোপ-দাউন অমসুং বতম-অপ এপ্রোচ অনিমক

**108.** লোন তম্বদা "সিসটেমিক কোমপিতেন্স" হায়বসি করিনো ?

(1) মীওইবা পুন্নমক্কী লোন মখল কয়াগী সিসতেমশিং লৈ হায়বনি।

(2) লোনসি সিসতেম অমা ওইনা থবক তৌববু খংবা অমসুং শিজিন্নবনি।

(3) লোনগী গ্রামারগী পথাপ লৈ খংবা অমসুং শিজিন্নবনি।

(4) লোন পুন্নমক্কী চপ মান্নবা স্ত্রকচরগী সিসতেম লৈ হায়বনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

109. টেক্স নত্রগা স্টেতমেন্ত খরা লৈরে। মসিগী টেক্সসিনা করম্বা রেজিস্টর তাকপগে?

ইন্দিয়ান কন্সতিত্যুসন মীপুম খুদিংমক চপ মান্নে হায়। মসিনা হায়রিবদি লৈবাকসিদা লৈবা মী খুদিংমক হায়বদি নুপা, নুপী, কাস্ট খুদিংমক্তগী মীপুম খুদিংমক, ধর্ম্মশিং, ত্রাইবশিং অমসুং ইদুকেস্নেল অমসুং ইকনোমিক বেকগ্রাওন্দশিংসু চপ মান্ননা লৌই। মসিনা হায়রিবসি মান্নদবা লৈত্তে হায়বা নত্তে। অদুবু দেমোক্রেতিক ইন্দিয়াদা মীপুম খুদিংগী প্রীন্সিপল ওফ ইক্ৱেলিতিদি লৈ।

(1) সাইন্তিফিক রেজিস্টরনি। (2) পোলিতিক রেজিস্টরনি।

(3) সোসিয়েলসাইন্স রেজিস্টরনি। (4) লিগেল রেজিস্টরনি।

110. ক্লাস VI কী ওজা অমনা হান্না তমখ্রবা লৌশিং-গ্যান শিংদুগা পারক্কদবদুগা মরি শমন্নবা হোৎনরম্মী। ওজাদুনা ৱারিদুগী অয়েকপশিংদুদা মহাক্না তাকত্রিঙৌদা য়েংনবা হায়রম্মী। মহাক্না মহৈরোইশিংদুদা তৌহনবা পামলিবসি করিনো?

(1) অয়েকপশিংদু মখোয় খংহনবনি।

(2) লাই অয়েকপশিংদুদগী ৱারিদু খংনবা হোৎনবনি।

(3) লাই অয়েকপদু ফজে হায়বনি।

(4) টেক্স পাবগী ওইবা য়াবা হায়বনি।

111. মহৈরোইনা তম্বগী মতাংদা তৎতনা থম্বা রেকোর্দসিবু করি কৌবগে?

(1) দাইগনোস্তিক তেস্ত (2) পোর্তফোলিও

(3) কনতিন্যুস কমপ্রহেনসিভ এসেসমেন্ত (4) প্রোফিসিয়েন্সি এসেসমেন্ত

112. মখাগীশিংসিদগী করম্বনা রিসেপ্তিভ স্কীলনো?

(1) তাবা অমসুং পাবা (2) তাবা অমসুং ইবা

(3) পাবা অমসুং ঙাংবা (4) ঙাংবা অমসুং ইবা

113. ইন্দিয়ান ময়াম মপান্দা থবক্কী চৎলগা মফমদুগী লোন তম্মী মসিদা চংলিবা মোতিভেসনসি করিনো?

(1) ইন্স্ট্রুমেন্তেলসু নত্তে ইন্তিগ্রেতিভসু নত্তে।

(2) ইন্তিগ্রেতিভ অমসুং ইন্স্ট্রুমেন্তেল মোতিভেসন অনিমকনি।

(3) ইন্তিগ্রেতিভ মোতিভেসননি।

(4) ইন্স্ট্রুমেন্তেল মোতিভেসননি।

114. মখাগী লোনশিংসিদগী করম্বনা ক্লাসিকেল লোন ওইদবগে?

(1) হিন্দি (2) তামিল (3) সংস্কৃত (4) তেলুগু



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**115.** ফোরেন লোন তম্বদা (NEP) 2020-গী মতুংইন্না মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে?

(1) ফ্রেনচ লোনসি এদিস্নেল ওপসন ওইনা তম্বগী হায়বদা য়াওই।

(2) সেকেন্দারি স্টেজদা ফোরেন লোনশিং এদিস্নেল ওপসন ওইনা তম্বনি।

(3) থ্রি-ল্যাঙ্গ্যুাজ ফোর্মুলাগী মখাদা ফোরেন লোনশিং তম্বনি।

(4) থ্রি-ল্যাঙ্গ্যুাজ ফোর্মুলাগী মখাদা লোন অহুম তম্বদা ফোরেন লোনশিং য়াওদে।

**116.** মখাগীশিংসিদগী "লোনগী মতাংদা খংবা" ("Knowing about language") হায়বদু করম্বনো?

(1) স্ত্রাতেজিক কমপিতেন্স (2) দেক্লারেতিভ নোলেজ

(3) প্রোসিজরেল নোলেজ (4) গ্রামাতিকেল নোলেজ

**117.** ক্লাস VI কী ওজা অমনা ঙাংনবা এক্তিভিতিগীদমক মখাদা পিরিবা তাস্কশিংসি শাগৎলি।

মরুভুমীগী অমদি মসিগী অকোইবগী অইং-অশাগী ফিভমদা ৱাহৈ পরেং মঙা ঙাংহনলি। মসি অফবা থবকলা নত্রগা ফত্তবা থবকলা ? মখাগীশিংদগী করম্বনা অচুম্বনো ?

(1) মসি অফবা থবক নত্তে মরমদি মরুভুমী অমদি মসিগী ফিভমগী কোনতেক্স অমত্তা নত্তে।

(2) মসি অফবা থবকনি মরমদি মহৈরোইশিংনা মখোয়গী জিওগ্রাফী ক্লাসতা তমলমলগনি অদুনা ঙাংবগী মচাক লৈগনি।

(3) মসি অফবা থবকনি মরমদি মহৈরোইশিংসি করিগুম্বা অমা ঙাংনবা হায়বদি মতাংসিদা মরুভুমীগী ওইননি।

(4) মসি অফবা থবক নত্তে মরমদি মহৈরোইশিংনা মরুভুমীগী মরমদা খংলমলোই।

**118.** মখাগীশিংসিদগী লোনগী দাইলেক্তকী মতাংদা করম্বনা চুম্বগে?

(1) করিগুম্বা মতমদা খেন্নবা সোসিয়েল গ্রুপশিংনা লোন অমগী দাইলেক্তশিং ঙাংই।

(2) লোন অমগী দাইলেক্তশিংসি রিজন অমগা রিজন অমগা খেন্নে।

(3) লোন অমগী খেন্নবা দাইলেক্ত ঙাংবা মীশিংনা অতোপ্পা দাইলেক্ত খংবা ঙম্মী।

(4) দাইলেক্তসি হেন্না চাওবা কেতগোরিনি অদুগা লোননা হেন্না পিকপা কেতগোরিনি।

**119.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা ইন্তিগ্রেতেদ লরনিং স্কীল পুক্লিং থৌগৎপনো?

(1) আরতিকল ইবা (2) রোল প্লে

(3) অসাইনমেন্ত (4) প্রোজেক্ত ৱার্ক

**120.** মখাগীশিংসিদগী করম্বা স্ট্রাতেজিনা গ্রামার তম্বীবগীনো ?

লোনগী আইতেম অমা কোনটেক্সকী মতুং ইন্না পিবা, মহৈরোইদা লোনগী আইতেমদু খংহনবা, রিয়েল লাইফ কোনটেক্সতা শিজিন্নবা ঙমহনবা অমদি মহৈরোইদা হায়রিবা আইতেমদু খংহনলগা পুক্লিং চিংশিনবীবনি।

(1) গ্যান তান্নবা হোৎনবনি। (2) স্কিমা অমা সাগৎপনি।

(3) দিদাক্তিভ মেথদনি। (4) দিসকোভরি মেথদনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি **পার্ট-V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

Candidates should attempt the questions from **Part-V (Q.No. 121-150)**, if they have opted **MANIPURI** as **Language-II** only.

www.careerindia.com

CAREERINDIA

## PART–V

## LANGUAGE–II

## MANIPURI

| |
|---|
| কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি **পার্ট-V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি। |

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (121 - 128)**

থোঙ্গাল মনাকমক্তদা ময়ুংনা ঙম্বা চাউরবা পুখ্রী অমা লৈ। পুখ্রী অদুগী অকোয়বা মাইল মখায় অমরোম শাংই। পুখ্রী অদুগী মায়কৈ মরিমক্তা অচৌ অচৌবা উপাল হৌদুনা পুখ্রী অদু থোইদোক্না শুক্না উরি, নোংচুপথংবা মপান্দা হৌবা অচৌবা লৈহাউ পাম্বী অমগী অচৌবা মশা অমা পুখ্রীগী ময়াইরোমদা শন্দোকখিদুনা মনাগী অরুম্বনা নেমথরক্তুনা ঈশিংদা শন্নরি। মীনা পুখ্রী অসিদা লাইরেন লৈ হায়নৈ।

খাইনমৈচাক্লা ঙাওরবী, নুংশিবগী ৱাখন্না খোংথাঙ থিল্লবী মহাক্তি কোকিল ফানিংবনা তনিক তনিক্লবী উরীরৈনা পুখ্রীগী মপালয়ৌনা চংশিনখ্রে "পাম্মুবনা লৈহাউ পাম্বী অসিবু খুদোম্বীনা থিল্লম্মী" হায়দুনা অইংবা অহীং ওইদুনমকসু লৈহাউ পাম্বীগী মরুমদা ফম্লগা অৱা মৈচাক কোক্কত্রা হায়দুনা চংশিনখিদুনা ফমলুরে। তাঞ্জা অদুমক্তদা চেক্লা অদুনা লৈহাউ পাম্বীগী মথক্তা ফুইনা ফুইনা 'কুউ' 'কুউ' হায়না খোংগৎলক্লে, মদু তারবদা উরীরৈনা মতম কুইনা মাঙখ্রবা বীরেনবু অমুক হন্না ফংবগুম নুঙাইখ্রদুনা থম্মৈমক্লসু তমজনবগী মশক ওইরবা, নৌরবা পাম্বোম অনী অদু থাঙ্গত্তুনা হায়রকই — "লাউ লাউ কোকিল অমুক্তদি পাইথরকউ।"

নুংশিহৈতবা চেক্লা অদুদি মহাকমক্কী খোঞ্জেন্দগীসু হেন্না মেংলবা ৱাহৈনো পী মরিক মরিক্কা লোয়ননা হায়জরিবা ৱা অদু খক তাবা লৈতে। ময়া কাথোক্তুনা মনীংতম্না হন্না হন্না খোংলি। মতম খরা ঙাইরম্বদগী চেক্লা অদুনা পাইথরকপা মরৈখিদ্রবদা উরীরৈগী পুক্নীংদা চেক্লা অদু ফারগে হায়না নীংখ্রে। মপুক্নীং অদু নুংশিবগা নুঙাইতবগা য়ান্নখ্রে। ঙমগনি ঙম্মোয় ৱাখলইতৌ তৌদনা লৈহাউগী পাম্বী অদু কোন্দুনা কাখৎলক্লে। নুপীমচা ওইবনা মহৌশানা উ কাবা হৈতদুনা অনীরক অহুম্লক নাম্থদুনা তারে- অদুফাওবা তোকপা লৈতে, মমৈথংদদি মশা য়াম্না পানবা উপাল ওইবনা মথং মথং কাখৎখিদুনা উনাপুংবা য়ৌখ্রে। মতম অদুফাওবা চেক্লা অদু খোংবা লেপত্রি — নীংবা থুংনা খোঞ্জেল ৱাংনা ৱাংনা খোংলি। পাঠক! শরৎ থাদা থাবন্না মপূং ফারবদা খাইনা মৈচাক্লা ঙাওরবী উরীরৈ অসি অমূক্তা য়েংশিনবীয়ু। মপান্দা উরী য়েৎখ্রে। লৈহাউ পাম্বী অদু মতম নক্তনা লৈরোন শাৎখ্রে। কোকিল তোংখ্রে। মিকুপ অমগীদমক মফম অদু বসন্তনা থৌগল তৌখ্রে।

**121.** পুখ্রীগী করম্বা মাইকৈদা শুক্না উবগে?

(1) পুখ্রীদা অশুকপা অমত্তা লৈত্তে।

(2) পুখ্রীগী মাইকৈ অহুমক্তা।

(3) পুখ্রীগী মাইকৈ মরিমক্তা।

(4) পুখ্রীগী মাইকৈ অনিমক্তা।

**122.** করিগী উরীরৈনা লৈহাউ পাম্বীগী মরুমদা ফমলিবনো ?

(1) অপামনুংশি কাইনবগী মচাক কোক্কদ্রা খনবদগী

(2) অৱা মৈচাক কোক্কদ্রা খনবদগী

(3) নুংশি মৈচাক কোক্কদ্রা খনবদগী

(4) মমা কাইনবগী মৈচাক কোক্কদ্রা খনবদগী

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**123.** উরীরৈনা করি উচেক ফানিংবদগী পুখ্রী মপাল য়ৌনা চংশিনবগে?

(1) তেনৱা ফানিংবদগী (2) ৱাহোং ফানিংবদগী

(3) কোকিল ফানিংবদগী (4) তান্না ফানিংবদগী

**124.** উরীরৈনা করিগীদমক কোকিলবু ফানিংলিবনো?

(1) ৱাখল চোইরবী ওইবদগী।

(2) বীরেনবু ফংলে খনজনবা।

(3) পাম্মুবগী নুংশি মৈচাক কোন্নবা।

(4) মহাক্না কৌবদা চেক্লা অদুনা পাইথরকউ য়াদবদগী।

**125.** লৈহাউ পাম্বীগী মথক্তা 'কুউ' 'কুউ' হায়না খোঙলকপা উচেক্কী খোঞ্জেন্দু তাবদা উরীরৈনা করি ফাওখিবগে?

(1) মাঙখ্রবা বীরেনবু অমুক হন্না ফংবগুম। (2) মাঙখ্রবা বীরেনগী মপাউ পুরকপনি খনখি।

(3) মাঙখ্রবা বীরেনবু ওইরবৌই নিংখি। (4) মশাদু অকি তুজুং পোকখি।

**126.** 'লৈরোন' হায়রগা করিবু খঙনবগে?

(1) লৈ মরোন মরোন লোনখৎপা। (2) লৈগী মতোন্দা শাৎপা লৈ।

(3) লৈগী ময়োন। (4) মতম নৎতনা শাৎলকপা লৈ।

**127.** লৈহাও পাম্বী পুখ্রীগী করম্বা মাইকৈদা হৌবগে?

(1) পুখ্রীগী খা-নোংচুপা থংবা মাইকৈদা হৌই।

(2) পুখ্রীগী নোংপোক থংবা মাইকৈদা হৌই।

(3) পুখ্রীগী নোংচুপ থংবা মাইকৈদা হৌই।

(4) পুখ্রীগী অৱাং থংবা মাইকৈদা হৌই।

**128.** "লৈহাউ পাম্বী অদু মতম নত্তনা লৈরোন শাৎখ্রে।"

ৱাহৈ পরেং অসিদা নাউন কয়া য়াউবগে খন্দোকউ।

(1) মরী। (2) অমা। (3) অনি। (4) অহুম।

www.careerindia.com

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (129 - 135)**

সাহেবনা সাসন পায়রবা মতুংদা চহি মঙাতা ঙায়রিবা চুড়াচান্দবু নিংথৌ হাপখি। অঙাং ওইরিবা মহারাজ অসিগী মহুৎ শিন্দুনা পোলিটিকেল এজেন্ট হায়বদি ময়াম্না খংনবা বর সাহেব অমসুং সুতো সাহেব অনিনা লৈবাক ঙাকখি। লৈঙাক্লোন হান্নগা হাইফেৎ মান্নরবসু মরম চাবা চাদবা থবক মওং খরদি হোংদোক হোংজিন তৌবদা সাহেবনা করিসু নাচুংদে। মতম অসিদা মীচম প্রজাশিং, খুঙ্গংগী প্রজাশিং য়াম্না পান-লন্না পাটশালা তম্বা হৌই। নিংথৌগী মচা মশুশিংদি তোঙান্না লাইরিক তমই। ইম্ফালদা জোনষ্টোন সাহেবনা লিংখৎপিবা স্কুলদা মিদল ফাওবদি তম্বা ঙমই। বেঙ্গলি সংস্কৃত নত্তনা মৈতৈনা ইংরাজী তম্বা হৌগৎলকপদা মৈতৈশিংনা মচা-মশু পুন্নমক লাইরিক তম্বা তোকহন্নৈ। অমুক হেন্না লৌৱায়-থৌৱায়, লৈরক-খুল্লক্তদি অংগ্রেজী তম্বা সুকপাম পান্নদে। অংগ্রেজ অমাংবা জাতিনি অদুনা অংগ্রেজী ময়েক মাংই হায়না লৌনৈ। তশেংনা হায়রবদা মৈতৈশিংনা ফিরিঙ্গি সরকারবু কিতুক্কচবা মীৎয়েংনা য়েংই। থম্মোয় চেৎপা, হায়খিবা ৱা হোংদবা মৈতৈশিংবু সাহেবশিংনা মওং কয়াদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংই অদুবু কান্নদে।

ধর্ম্ম শন্দোকপা লাক্লমই পেটিগ্রঃ কৌবা সাহেব অমা। মৈতৈ ইমুং অমতগী সুমাং ফাওবা চংবা ঙমখিদে। খোঙ্গুল ফাওবা ঈশিংনা চামথোকখি। গঙ্গাজল চাইথোক্লগা শান্তি হাইদোকখি। মহাক্না ধর্ম্ম শন্দোক্কে হোৎনবা অরেম্বা তাখি।

অচম্বা স্কুল মচা অমতং লিংখৎলল্লগা মহাক হুনখি। অংগ্রেজী লাইরিক ইমুংদা পুশিন্নদে। অংগ্রেজশিংবু মৈতৈনা মপানথোংদতা নত্তনা নুংগী ওইনসু য়ানিংদে। মতিক চাবা খুজু খুৎলায় লৈজদবনা মায়য়োক্লবা লানফমদা মায়থিখিবনি। অংগ্রেজ চাওখৎপদা মপা লৈতে অদুবু থম্মোয়গী ওইবা ফজবা গুণদি য়াওদে। অচম্বা পুন্সিদা পেন্থোকপা ঙম্বা মৈতৈগদি য়াম্না লাপ্নে। মৈতৈ অহল লমনশিংগী শিংলিদা অশাবা ঈগী ঈচেল চেল্লি। মণিপুর বৃটিশকী লোয়লম ওইরে। অদুবু মসিদা হিদাকপু ফিদা তিন্নবগী ৱাফমদি য়াম্না ৱাৎলি। মসি মরম য়াম্না য়ামই।

**129.** হিদাকপু ফিদা তিন্নবা ফ্রেজ অসিগী ৱাহন্থোক করিনো?

(1) নুংশিনা অমগা অমগা লোয়নবা
(2) হিদাকপু তিন্নদুনা থকপা
(3) চামিন থকখিন্নবা য়াবা
(4) চারৌ মৌরৌনবা য়াবা

**130.** ইম্ফালদা সাহেবশিংনা লীংখৎলম্বা স্কুল অদু মখাদা পীরিবশিংসিদগী অচুম্বদু খন্দোকউ

(1) রাজা ডুম্ব্রা স্কুল।
(2) তম্ফাসনা স্কুল।
(3) তোম্বীসনা স্কুল।
(4) জোনস্টোন স্কুল।

**131.** পীক্লিবা চুড়াচান্দগী মহুৎ শিন্দুনা কনানা লৈবাক ঙাকপগী থৌদাং লৌখিবগে?

(1) মীষ্টর গ্রীমউদ অমসুং বর সাহেব।
(2) মীষ্টর গ্রীমউদ অমসুং সুতো সাহেব।
(3) মীষ্টর গ্রামহন অমসুং বর সাহেব।
(4) বর সাহেব অমসুং সুতো সাহেব।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**132.** মণিপুরদা ধর্ম্ম শন্দোক্লবা লাকখিবা সাহেব অদু কনানো?

(1) রসিকলাল কুণ্ডু (2) বর সাহেব (3) সুতো সাহেব (4) পেটিগ্রু সাহেব

**133.** মৈতৈশিংনা ফিরিঙ্গি হায়বদি সাহেবশিংগী সরকারবু করি মীৎয়েংনা য়েংনবগে?

(1) নুংশিবা মীৎয়েংনা।
(2) কি-তুক্কচনা।
(3) অমাংবা জাতিনি হায়না।
(4) লম করম্বা ওইনা।

**134.** সাহেবনা চুড়াচান্দবু মণিপুরগী নিংথৌ হাপখিবা মতমদা মশাগী চহী কয়া শুখ্রবগে?

(1) তরুক (2) অহুম (3) মরী (4) মঙা

**135.** মৈতৈশিংনা ইংরাজী তম্বা হৌগৎলকপদা মচা মশুশিংবু লাইরিক তম্বা তোকহল্লম্মী, করিগীনো?

(1) অংগ্রেজি তম্বদা পৈশা হেন্না চঙই খনবদগী
(2) অংগ্রেজিশিংনা শন্নরক্কনী খনবদগী
(3) অংগ্রেজি ময়েক মাংই হায়না খনবদগী
(4) অংগ্রেজি তম্বা পামদবদগী

**136.** অশৰিননা পোকপদগী ওরিয়া লোন খংই অদুগা মহাকনা হিন্দি অমসুং ইংলিশ তম্মী। মসিগী স্টেতমেন্তকী মতুংইন্না মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে ?

(1) মহাক্কী ইংলিশ তম্বসি ল্যাঙ্গুয়াজ একুইজিসননি।
(2) মহাক্না ওরিয়া তম্বসি ল্যাঙ্গুয়াজ একুইজিসননি।
(3) মহাক্কী হিন্দি তম্বসি ল্যাঙ্গুয়াজ লরনিংনি।
(4) মহাক্কী ইংলিশ তম্বসি ল্যাঙ্গুয়াজ লরনিংনি।

**137.** ইনস্ত্রুমেন্তেল মোতিভেসনসি —

(1) মী অমনা লোন তম্বসি লাইরিক ইবগীনি।
(2) মী অমনা থবক্কী কান্নবগী লোন তম্বনি।
(3) মী অমনা লোন তম্বসি নেতিভ স্পিকরশিংদা নকশিন্নবা তম্বনি।
(4) মী অমনা লোন তম্বসি মখোয়গী ফুরুপকী ধর্ম্ম অমসুং থবক-থৌরমগী তম্বনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**138.** ক্রিপা অমসুং কারণসি ফাবোইকনি অদুগা মণিপুরগী দাইলেক্ত অমা ঙাংই, অদুমওইনমক মবানিগী মরোনসি খেন্নে। মখোয় অনিগী লোন ঙাংবগী খেন্নরিবসি করি হায়না খংগনি

(1) মণিপুরি (2) ইদিওলেক্ত (3) দাইলেক্ত (4) স্পিচ এক্ত

**139.** ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা ইংলিশ লোন্দা করি স্তেতস পিবগে?

(1) স্তেতুতরি বোদিশিংগী লোন (2) ওফিসিয়েল লোন

(3) এসোসিয়েত ওফিসিয়েল লোন (4) ফোরেন লোন

**140.** মহৈরোইগী অককনবা অসোন সোন্দা খংদোকনবগী চাংয়েংসি —

(1) ফোর্মেতিভ চাংয়েংনি। (2) ওবজেক্তিভ চাংয়েংনি।

(3) ভেলিদিতি চাংয়েংনি। (4) দাইগনোস্তিক চাংয়েংনি।

**141.** অদিতিনা পাস পরফেকতেন্সকী পথাপ খংই অদুবু কন্তেক্স চানা শিজিন্নবা হৈত্তে। মঙোন্দা লৈরিবা নোলেজসি করি নোলেজনো?

(1) এপ্লিকেসন ওফ নোলেজ (2) ল্যাঙ্গ্যাজ একুইজিসন দিভাইস

(3) প্রোসিজরেল নোলেজ (4) দেক্লারেতিভ নোলেজ

**142.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে?

(1) লোন খরদি সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিংদা হেন্না ৱাহয়োক পুথোকপা ঙম্মী।

(2) লোন্না ফুরুপকী শক তাকই।

(3) লোনদা পুৱারিগী মচাক ময়াম য়াওই।

(4) মীওইবগী লৌশিংদা লোনগী শরুক চাওনা য়াওই।

**143.** ক্লাসরুম অমদা প্রোজেক্ত ৱার্ক তৌবদা করি-করি স্টেজ চংবগে?

(1) ওজাগা মহৈরোইগা মখোয়না পাম্বা মওংদা প্রোজেক্ত দিজাইন তৌরগা তৌবা

(2) গ্রুপ শেম্বা, শেম-শাবা, দেতা খোম্বা, দেতা খংদোকপা, দ্রাফ ইবা, তোপিক খংদোকপা অমসুং রিপোর্ত অরোইবগী লোইশিনবা

(3) গ্রুপ শেম্বা, তোপিক খংদোকপা, শেম-শাবা, দেতা খোম্বা, দেতা খংদোকপা, দ্রাফ ইবা অমসুং রিপোর্ত অরোইবগী লোইশিনবা

(4) গ্রুপ শেম্বা, তোপিক খন্দোকপা, শেম-শাবা, দেতা খোম্বা, দ্রাফ ইবা, দেতা খংদোকপা অমসুং রিপোর্ত অরোইবগী লোইশিনবা

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**144.** তাবগী তোপ-দাউন এপ্রোচতা চংলিবসি —

(1) সাউন, ৱাহৈশিং, ফ্রেজশিং, ক্লোজশিং অমসুং ৱাহৈপরেংশিং খুদিংমক তাবা

(2) অককনবা মচাকশিংদা পুক্লিং চংবা

(3) স্পিচ, টেক্স নত্ত্রগা ওদিওগী মচংশিং তাবা

(4) টেক্স, স্পিচ নত্ত্রগা ওদিওগী পুল্লপকী ওইবা মচাকশিং তাবা

**145.** ক্লাস VII গী ওজা অমনা মী অমগী মতাংদা ইনবা ইবগী তাস্ক অমা পিবা পামলম্মী। মহাক্না ক্লাসরুমদগী মপান থোকলুরগা হোকর অমা মহাক্কী বাসকেত য়াওরগা কা মনুংদা চংমীন্নরম্মী। মহাক্না হোকরদুদা মিনিত তরেৎ লৈবিনবা হায়জে অদুদগী মহৈরোইশিংদা তুমা-তুমা ওইরগা হোকরদুগী মরমদা ইয়ু হায়। মসিগী এক্তিভিতিসিদা হোকরসিবু করি হায়না খংনবগে?

(1) মচাকনি
(2) তম্বীবদা মতেং ওইবা
(3) হোকর অমা
(4) এক্তিভিতিদা য়াওবা মী

**146.** ক্লাস VII কী ওজা অমনা মহাক্কী মহৈরোইশিংদা টেক্সতা য়াওবা ফুরুপ অমগী শক্তি অমসুং মগুন শিংদু য়াওনা পানবা হার। ওজাসিনা তৌরিবসি করি হেনগৎহন্নবগীনো?

(1) লিতরেসি স্কীল
(2) লোনগী লিতরেসি
(3) ক্রিতিকেল লিতরেসি
(4) এনালিতিকেল লিতরেসি

**147.** (NEP) 2020 গী মতুং ইন্না ক্লাসিকেল লোন তম্বগী মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে?

(1) সেকেন্দরি স্তেজদা ক্লাসিকেল লোনসি মরুওইবা লোন ওইনা তম্বনি।

(2) সেকেন্দরি স্তেজদা ক্লাসিকেল লোনসি এদিস্নেল ওপসন ওইনা তম্বনি।

(3) থ্রি ল্যাঙ্গ্যুজ ফোর্মুলাগী মখাদা ক্লাসিকেল লোনসি ওপসন অমা ওইনা তম্বনি।

(4) প্রেপরেতরি স্তেজদা ক্লাসিকেল লোন তম্বনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**148.** সিদা লৈরিবা টেক্সসি পারো অদুগা করম্বা লোনগী রেজিস্টর চিংবগে?

খংহৌদনা রেভোল্যুসন মতুংদা মসি হোংঙকপায়াই। মালেমগী শরুক অয়াম্বা য়ুরোপ অমসুং এসিয়া য়াওরগা মশাগী হক্কী অনৌবা ৰাখল্লোন অমদি কনানা মীয়ামগী শক্তি চুপলি পাই হায়বসি খন্নবা হৌরকই। ইন্দিয়াদা রাজা রাম মোহন রোই অমসুং দেরোজিওনা ফ্রেন্স রেভোল্যুসন মরুওইবা মতাংদা ঙাংই। কোলোনিশিংদা লাকপা অহোংবশিংসিনা খুনাইদা ইনোৎ হাপতুনা অহোংবা পুরকই।

(1) রেভোল্যুসন রেজিস্টরনি।
(2) সাইন্সকী রেজিস্টরনি।
(3) পোলিতিকেল রেজিস্টরনি।
(4) সোসিয়ে সাইন্স রেজিস্টরনি।

**149.** ক্লাস VIII কী ওজা সুভাশনা নুংঙাইতবা ফোংদোকই, "লোন চাংয়েং তৌবদা অয়াম্বা মতমদা রিসেপতিপ স্কীলদা ৰাখল থাদদে"। মহাক্না রিসেপতিপ স্কীল হায়রিবসি করিনো?

(1) ঙাংবা অমসুং ইবা
(2) তাবা অমসুং ইবা
(3) ঙাংবা অমসুং পাবা
(4) তাবা অমসুং পাবা

**150.** লোনসি সিসতেম অমনি হায়না মহৈরোইশিংনা খংই অমসুং শিজিন্নে। মসি করিনো?

(1) স্ত্রাতেজিক কমপিতেন্স
(2) কম্যুনিকেতিভ কমপিতেন্স
(3) সিসতেমিক কমপিতেন্স
(4) সোসিওলিঙ্গীস্তিক কমপিতেন্স

- o 0 o -

www.careerindia.com

CAREERINDIA

SPACE FOR ROUGH WORK

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (instructions) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :**

1. মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংশি পাউখুম পীদ্রিঙৈগী মমাংদা চেকশিন্না পাগনি। মতুংদা টেস্ট বুকলেট তা য়াওরিবশিং অদুগী পাউখুম পীগনি।

2. OMR অন্সর শীট কী **অনীশুবা** নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা সরকল (circle) মরিদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা **ব্লু** নত্রগা **ব্লেক** বোল পোইন্ট পেন্না ময়েক শেংনা মমহ্নগদবনি। অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে।

3. কেন্দিদেট শিংনা OMR অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে। OMR অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি। অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে।

4. টেস্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং OMR অন্সর শীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেস্ট বুকলেট অমদি OMR অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই।

5. কেন্দিদেট শিংনা টেস্ট বুকলেট অমদি OMR অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুম্না ইগদবনি।

6. **OMR** পাউখুমচে অদু মেচিন্না পাগনি এডমিত কার্দতা পিরিবা ইনফোরমেসন অদুগা খেন্নবা লৈহল্লোইদবনি। অদুনা ইনফোরমেসন অদু মপুং ফাদনা থমলমলোইদবনি।

7. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চেচাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে।

8. মোবাইল ফোনশিং, ই-পাও ফাওদোক্লবা খুৎলাইশিং (সুইচ ওফ তৌরগফাওবা), অতোপ্পা পাম্বৈশিং পরিক্ষা হোল মনুংদা পুরকপা য়াদে। ৱারোলশিং অসি ইন্দ্রবদি নত্তবা পাম্বৈ শিজিন্নৈ হায়দুনা পরিক্ষাদগী তাম্থোকপা য়াওনা এক্সন লৌখৎকনি।

9. ইনভিজিলেটর না হংলকপগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি।

10. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে।

11. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী OMR অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই। মশাগী OMR অন্সর শীট তু পীরম্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি Unfair means কী case ওইনা লৌগনি। **Attendance sheet তা পিরিবা অহাংবা মফমদুদা কেন্দিদেত শিংনা ওইগী খুবীগী সহীসু নমগদবনি।**

12. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে।

13. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল মনুংদা পরিক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি। Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি।

14. টেস্ট বুকলেট নত্রগা OMR অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমওদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই।

15. **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী OMR অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেস্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি।**

www.careerindia.com

## निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :

1. जिस प्रकार से विभिन्न प्रश्नों के उत्तर दिए जाने हैं उसका वर्णन परीक्षा पुस्तिका में किया गया है, जिसे आप प्रश्नों का उत्तर देने से पहले ध्यान से पढ़ लें।
2. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह **नीले/काले बॉल पॉइन्ट पेन** से भरें। एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है।
3. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस OMR उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ। परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक OMR उत्तर-पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें।
4. परीक्षा पुस्तिका एवं OMR उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं OMR उत्तर पत्र के कोड या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी।
5. परीक्षा पुस्तिका/OMR उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका कोड व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से उपस्थिति-पत्र में लिखें।
6. OMR उत्तर पत्र में कोडित जानकारी को एक मशीन पढ़ेगी। इसलिए कोई भी सूचना अधूरी न छोड़ें और यह प्रवेश-पत्र में दी गई सूचना से भिन्न नहीं होनी चाहिए।
7. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश-पत्र के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य-सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है।
8. मोबाइल फोन, बेतार संचार युक्तियाँ (स्विच ऑफ अवस्था में भी) और अन्य प्रतिबंधित वस्तुएँ परीक्षा हॉल/कक्ष में नहीं लाई जानी चाहिए। इस सूचना का पालन न होने पर इसे परीक्षा में अनुचित साधनों का प्रयोग माना जाएगा और परीक्षार्थी विरुद्ध कार्यवाही की जाएगी, परीक्षा रद्द करने सहित।
9. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-पत्र दिखाएँ।
10. केन्द्र अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें।
11. कार्यरत निरीक्षक को अपना OMR उत्तर पत्र दिए बिना एवं उपस्थिति-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल/कक्ष नहीं छोड़ेंगे। यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार उपस्थिति-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए, तो यह माना जाएगा कि उसने OMR उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा। **परीक्षार्थी अपने बाएँ हाथ के अंगूठे का निशान उपस्थिति-पत्र में दिए गए स्थान पर अवश्य लगाएँ।**
12. इलेक्ट्रॉनिक/हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है।
13. परीक्षा हॉल/कक्ष में आचरण के लिए परीक्षार्थी परीक्षण संस्था के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं। अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला परीक्षण संस्था के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा।
14. किसी भी परिस्थिति में परीक्षा पुस्तिका और OMR उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें।
15. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी हॉल/कक्ष छोड़ने से पूर्व OMR उत्तर पत्र निरीक्षक को अवश्य सौंप दें।** ***परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं।***

## READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY :

1. The manner in which the different questions are to be answered has been explained in the Test Booklet which you should read carefully before actually answering the questions.
2. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with **Blue / Black Ball Point Pen** on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
3. The candidates should ensure that the OMR Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the OMR Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
4. Handle the Test Booklet and OMR Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and OMR Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
5. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet/OMR Answer Sheet in the Attendance Sheet.
6. A machine will read the coded information in the OMR Answer Sheet. Hence, no information should be left incomplete and it should not be different from the information given in the Admit Card.
7. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the examination hall/room.
8. Mobile phones, wireless communication devices (even in switched off mode) and the other banned items should not be brought in the examination halls/rooms. Failing to comply with this instruction, it will be considered as using unfair means in the examination and action will be taken against the candidate including cancellation of examination.
9. Each candidate must show on demand his/her Admit Card to the Invigilator.
10. No candidate, without special permission of the Centre Superintendent or Invigilator, should leave his/her seat.
11. The candidates should not leave the Examination Hall/Room without handing over their OMR Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where candidate has not signed the Attendance Sheet second time will be deemed not to have handed over the OMR Answer Sheet and dealt with as an unfair means case. **The candidates are also required to put their left hand THUMB impression in the space provided in the Attendance Sheet.**
12. Use of Electronic/Manual Calculator is prohibited.
13. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Examining Body with regard to their conduct in the Examination Hall/Room. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Examining Body.
14. No part of the Test Booklet and OMR Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
15. **On completion of the test, the candidate must hand over the OMR Answer Sheet to the Invigilator in the Hall / Room.** ***The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

www.careerindia.com